**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-06-2025)**

**ফুবালা (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ফুবালা মনিংদা লৈবা শিঙ্গৈলোককা তায়ননা লৈবা লৌফম অমদা থবক শুদুনা লৈবা নুপা অমা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং অনি মখায়রোম তারকপদা মশক খঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লন্দগী মখুৎতা পান্দুনা শোক্লে। মফম অদুদা লৈবা চীংলোমদগী হাই কেনেল লান্থোক্তুনা লাকপা মীওই খরনা লৌমী অদু তমা নোংমৈ মরু খরা কাপশিল্লন্নগা চিংথকলোমদা নান্থোক্তুনা চৎখিবনি হায়রি।

**রাজ্যপাল(এল)ঃ** চেসাম অব্দুল কাদির মীহাৎকী মতাংদা শেমখিবা জে.এ.সিগী মীহুৎশিং অমসুং ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী এম.এল.এ. কে.ঐচ. লোকেনগা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাগা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা ঙসি উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা জে.এ.সিগী মায়কৈদগী মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি। মেমোরেন্দম অদুদা মীহাৎ অসিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীনবা তকশিনখি। রাজ্যপালনসু মখোয়গী ৱাকৎ অদু তাবগা লোয়ননা থিন্থবা তৌদনা আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়না ফোংদোকখি। উন্নবা অদুদা রাজ্যগী দি.জি.পি-রাজিব সিংহসু শরুক য়াখি।

মরক অসিদা, মীহাৎ অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি লিলোং দামদগী হৌরগা লিলোং উসোইপোকপী ফাওবা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ খোঙচৎ অমা পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ খোঙচৎ অদু অনজ্মান ইসলা-ই-মৌসারা লিলোং অমসুং য়ুনাইটেদ মীতৈ-পাংঙল কমিতি-মনিপুরনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

**অজয়(এল) ঃ** মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা সভাপতি ওইদুনা রাজ্য

অসি মহৈ মশিংগী লমদা হেন্না চাউখৎনবগী মতাংদা মীফম অমা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা নেসনেল এদুকেসন পোলিসি-২০২০ অমসুং ইন্টিগ্রেটেদ টিচরস এদুকেসন প্রোগ্রাম য়াওনা হীরম কয়াদা খন্ন-নৈনখি।

রাজ ভবননা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মীফম অদুদা এদুকেসন (এস) কী সেক্রেটরি-এন. প্রবিননা, মহৈ মশিং তম্বগী লম অসি হেন্না চাউখৎনবগীদমক মরুওইরিবসি ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবা, মহৈ মশিং তম্বদা চংবা পোৎলমশিং অমদি ওজাশিংদা হেন্না ফবা ত্রেন্নিং পীবা হায়বসি তঙাইফদবনি হায়না রাজ্যপালগী পুকিং চিংশিনখি।

মীফম অদুদা এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তর-এন.জি. ভোগেন্দ্র , জোইন্ট সেক্রেটরি-অঞ্জলি চোংথাম অমদি অতৈ ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**সৈত্যবরতা (এল)ঃ** বিধান সভা অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা হায়রি-রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা অনৌবা লৈঙাক অমা লৈহনফম থোকই।

ইম্ফালগী য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাইদা নৌনা শাবা শ্রীশ্রী গোপিনাদ মান্দপ শঙ্গাবগী থৌরমদা শ্রী সৈত্যবরতানা হায়-রাস্ত্রপতিগী সাসনগী অককবা মতম লৈবা মরমনা অথুবা মতমদা মীয়ামগী লৈঙাক অমা থমবা থবক তৌরক্কনি হায়বসি মহাক্কী থাজবনি। মসিদা এম.এল.এশিংনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরক্কনি হায়নসু থাজৈ।

**নুঙ (এল)ঃ** আইননা য়াদবা মওংদা চীংলৈবাকশিং লৌথোকপগী থবক খুদক্তা লেপনবা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা অকনবা ৱাফম ফোংদোক্লি।

রাজ্য সরকারগী সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা থোকপা চেরোল অমদা হায়-চীংলৈবাকশিং কোৎথোকপনা মফম অদুগী মহৌশাগী ফিভমদা অকায়বা থোকহনবতা নত্তনা লৈবাক-লৈহাও চেন্থদুনা ঈশিং ঈচাও থোরকপদা মতেং পাংলি। মরম অদুনা আইননা য়াদবা মওংদা চীংলৈবাক কোৎপা থিংননবা

হান্নদগী লৈজরকপা আইনগী মখাদা হেন্না কনবা থবক লৌখৎনবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। অসিগুম্বা থবকশিংদা শিজিন্নরিবা জে.সি.পি, স্কাবেটর, তিপ্পর, দম্পর অমসুং অতৈ মেছিনশিংগা মরি লৈনবা মপুশিংনা আইননা য়াদবা থবকশিং অসিদা মখা তানা য়াওশিনদনবা ৱাফম ফোংদোরক্লি। মখা তানা অসিগুম্বা থবক্তা চেন্নরম্বশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি হায়রি।

অমরোমদা, কাংপোকপী জিলাদসু আইন কায়না নুঙ-লৈঙোই অমসুং লৈবাক লৌথোকপগী থবক খুদক্কগী থিংখ্রে।

কাংপোকপী ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-আইননা য়াদবা মওংদা চিংলৈবাক কোৎপা অমসুং উমংগা মরী লৈনবা পোৎথোকশিং পুথোক পুশিন তৌবা য়ারোই।

**থৌরম (এল)ঃ** নাসা মুক্ত ভারত অভিয়ান কেম্পেইনগী মনুং চন্না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-বিষ্ণুপুর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস-বিষ্ণুপুরনা পুন্না শিনদুনা ঙসি জিলা অসিগী ওল্ড দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা রিলিফ কেম্প অমসুং মাঙ্গোলঙানবী রিলিফ কেম্পতা ময়াই কাবা নিশাগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা হায়-হৌরক্লিবা অঙাংশিংদা অমদি নহারোলশিংদা ময়াই কাবা নিশাগী অমাংবশিং নীংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা থৌরমশিং অসি পাঙথোকপনি।

**ফেরজোল (এল)ঃ** ধরতি অবা অভিয়ান কেম্পেইনগী ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতা ফেরজোল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনুদনা পার্বুং ভিলেজ, কারেং অমসুং লৈজাংফাই ভিলেজতা থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

থৌরমশিং অদুদা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংশিং উৎপা তোঙান তোঙানবা

বিভাগশিংগী স্তোলশিং হাংখি হায়রি।

কেম্পেইন অসি কাংপোকপী জিলাগী সাইকুল ভিলেজ কম্যুনিতি হোলদসু ঙসি পাঙথোকখ্রে।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি মীওই ১৬ নৌনা কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা থেংনরে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমদা হায়-ঙসিগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই ১৫, ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই ১৩, চান্দেলদগী মীওই ৫, বিষ্ণুপুরদগী মীওই অনি অমসুং নোনে, তেংনৌপল অমদি উখ্রুল জিলাশিংদগী মীওই অমমম পুন্না মীওই ৩৮ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৬ পোজিটিব ওইবা থেংনখিবনি। পোজিটিব ওইবগী চাং চাদা ৪২.১ নি। মসি থারগা অপুনবা পোজিটিব ওইবা মশিং ৫৩ শুরে। হৌজিক হৌজিক লায়না অসিনা নারবা মীওই ৪৮ হোম আইসোলেসন তৌদুনা লায়েং চত্থরি। লায়না অসিনা নারম্বা মীওই অনিদি লায়েংবদগী ফগৎলকখ্রে।

**বোম (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী থৌবাল ওক্রমদা লৈবা মীওই অমগী য়ুমদা ঙসি অয়ুক হেন্দগ্রেনেদ অমা থল্লম্বা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা থৌবাল ওক্রমগী মৈরা পায়বী অমদি মীয়ামনা ওক্রম কৈথেলগী কম্যুনিতি হোলদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। মীচম মীয়ামদা অকি-অখঙ পীবা য়ানিংদে। য়ুম্লক্তা বোম থমজিল্লম্বা য়ানিংদে। তুংদা, অসিগুম্বা থৌওং অসি তৌবীগনু হায়না ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোংদোকখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী অমনা অসুমা হায়-

**কাংপোকপী (এল)ঃ** অহমেদবাদতা প্লেন কায়বদা লৈখিদ্রবা মণিপুরদগী কেবিন ক্রু লমনুনথেম সিংসোনগী হকচাং ঙসি নুংথিল অহমেদবাদতগী দিমাপুরদা

পুরকখ্রে।

দিমাপুর এয়ারপোর্টতা মফম অদুদা লৈবা কুকি য়ুনিয়ননা সিংসোনগী হকচাং ওকবা মতুং কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন সাদর হিলসনা কাংপোকপী তম া পুরকখ্রে হায়রি।

**কেম্প (এল) ঃ** মনিপুরদা হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাও মতুংদা থোরকপা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা মরুওইনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক্তা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী, ডোক্তর সেলনা সি.এম.ও. ওফিস-ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশমদুনা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ৱাংখৈ পুজা কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা ডোক্তরশিংনা তোঙান তোঙানবা অনাবশিং লায়েংখি।

**ব্লড(এল) ঃ** মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি রিমস হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কংগ্রেস কর্মিশিং য়াওনা মীওই কয়ানা ঈ দান তৌখি।

**ফৌদি (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীকলচর ওফিসার, ইম্ফাল ইষ্টকী মখাদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থা অসিগী ১৬ তগী হৌদুনা চাথোক লৈবা ফৌদি অমদি হার য়েন্থোকপগী থবক চংখরি। মসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীকলচর ওফিসার, ইম্ফাল ইষ্ট-ফনজোবম প্রেমিলা দেবীনা অসুমা হায়-

**এআই (এল)ঃ** আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) গী মতাংদা নুমিৎ তরুকনি চংথগদবা ত্রেন্নিং অমা ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কোর্ট হোলদা হৌখ্রে। মনিপুরি য়ুনিভরসিতিগী মালাবিয়া মীসন টিচর ত্রেন্নিং সেন্টরনা শিনদুনা পাঙথোকপা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা

য়ুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেলর-ডা: এন. লোকেন্দ্রনা হায়-মতমগী অহোংবা মতুং ইন্না লম কয়াদা এ.আইগী থৌদাংশিং মথৌ তারক্লিবা অসিগী য়েংলগা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি য়ামা কান্নবা প্রোগ্রাম অমনি।

**এময়ু (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী টিচরস এদুকেসন দিপার্টমেন্টনা চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা কম্ম্যুনিতি কন্টেক্ট প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থঙ্গাগী হৌরেং চিংয়াং কম্ম্যুনিতি হোলদা এদুকেস্নেল ফিল্ড ভিজিট অমসুং কম্ম্যুনিতি কন্টেক্ট প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এসোসিয়েট প্রোফেসার-ডা: চোংথাম তোম্বনা হায়-ওজাশিংনা কম্ম্যুনিতি লেবেলদা লৌগদবা থৌদাং অমদি মীয়ামগীদমক করিগুম্বা খরা তৌনবগী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইরগা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। সর্ভে অসিগী রিপোর্ট অমা য়ুনিভরসিতিদা পুখৎতুনা সরকারগী মরী লৈনবশিংগা তান্নদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক পায়খৎপদা মতেং ওইগনি।

**আপিল (এল)ঃ** পাওবীতেক্তগী মীওই অমা হাৎলগা ফুমজিল্লম্বগী থৌওং অদুবু পিছ্ এন্দ ইন্টিগ্রীতি কমিতি-কিয়ামগৈনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবশিং আইনগী ওইবা মতিক চাবা চৈরাক পীননবা তকশিনবগা লোয়ননা কনাগুম্বা খরনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কাংলুপ নাইবা ৱাফম কয়া সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা অদু তৌবীদনবসু আপিল তৌরক্লি।

**নপসা (এল)ঃ** নপসাগী চেং য়েনবগী ৱাথোক্কী মতাংদা হয়েং অয়ুক পুং ১১ মখায়দা তমেংলোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিসতা জিলা অসিগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: এল. অংশিম দংসাৱানা থোকপা চেরোল অমদা, মরী লৈনবা মীওই খুদিংমকা মতম চানা লাক্তুনা মীফম অসিদা

শরুক য়াগদবনি।

**মোদিঃ** ইন্দিয়া অমসুং ক্রোএসিয়ানা ইন্দিয়া-য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন ফ্রি ত্রেদ এগ্রীমেন্ট য়াওনা লম কয়াদা ৱারী শান্নখ্রে।

ভারত অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মরক্তা তেংবাংনবা হেনগৎহন্দুনা হেন্না ফবা মরী থমবা হোৎনবদা ক্রোএসিয়ানা শৌগৎলি হায়না ফোংদোকখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, ক্রোএসিয়া, কনাডা অমসুং সাইপ্রসকী খোঙচৎ লোয়রদুনা ন্যু দিল্লি পাংলকখ্রে। মহাকা ক্রোএসিয়াদা লৈরিঙৈদা লৈবাক অদগী প্রধান মন্ত্রি-এনদ্রেস প্লেনকোভিককা উন্নদুনা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নরকখি।

**থংদোকপাঃ** নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা উংখৎনবগী ফিভম অসিগী য়েংলগা ভারতনা মফম অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিং থংদোরকপা হৌখ্রে।

ইরানদা লৈরম্বা ভারত মচাশিং অশোয় অঙাম থোকহনদনা ভারত্তা পুরকবা কেন্দ্র সরকারনা অখন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎলে। লৈবাক অদুদগী ভারতমচাশিং পুবা অখন্নবা এরোপ্লেন অমা ঙসি ভারত্তা থুংলরগনি। মহৈরোই ১১০ য়াওনা অৱাং থংবা ইরানদা লৈরম্বা ভারত মচাশিং পুবা এরোপ্লেন অমসু হান্ননা ন্যু দিল্লিদা থুংখ্রবনি।

মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-কিরতি ভরধন সিংহনা হায়-ইরানদা লৈবা ভারত মচা ৩৫০ হেনবনা মখোয়বু ভারত্তা পুথোকপীনবা হায়জরকপা লৈরে। অতোপ্পা ইয়ারক্রাফট অমসু হৌজিক তর্কমিনিস্থানদা ভারত মচাশিং লৌথোকনবা পাইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)** ঃ সেকমাই কৌজেংলৈমা গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অনিশুবা প্রেমিয়র লিক ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা য়ুথ সোসিএল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা অনৌবা ইমাগী মঙালবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

মখা তাবা মেটচশিংদা-য়ুনাইটেদ চান্দেল এফ.সিনা নিশাবু পাঞ্জল ৪-২ দা, অংথা এফ.সিনা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)** ঃ ১৫ শুবা অস্ফা সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচশিংদা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা মনিপুর য়ুনাইটেদ এফ.এবু পাঞ্জল ৩-০ দা অমদি য়ুথ ৱেলফিয়ার ক্লবনা এফ.সি. ইম্ফালবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)** ঃ লেট এল. সনা এলাইজ ইঙম মেমোরিএল ট্রোফি ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহৌবা মেটচতা টি.য়ু.সি. থোংজাউনা টাইগর এফ.সি. তেকচমবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

অনিশুবা মেটচতা হৈবোং মখোয় এফ.সিনা হিয়াংলম ৱাবগাই এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।